# সনাৈলেবাক স্পোর্টস

IMPHAL, SUNDAY, SEPTEMBER 01, 2019 PAGE 7




ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব আর্সনেলদগী টর্কিগী মকোক থোংবা ক্লব বেসিকটাসতা লোন ওইনা শান্নরগদবা ইজিপ্তকী মিডফিল্ডর মোহমদ ইলনেনি

ন্যু য়োর্কতা চথরিবা য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিসকী নুপাগী সিঙ্গলসতা প্রি-ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরর



## ইন্দিয়ানা নেপালবু গোল ৭-০ দা মায়থিবা পীদুনা সাফ মেন'স য়ু-১৫ চেম্পিয়ন্সিপকী ৩লকশুবা টাইটল লৌখ্রে

*কোলকটা, ওগষ্ট ৩১ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কোনুং কোলকটাদা লৈবাক কলিয়ানি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা সাফ মেন'স য়ু-১৫ চেম্পিয়ন্সিপকী ফাইনেলদা ইন্দিয়ানা নেপালবু গোল ৭-০ দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ৩লকশুবা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

সাউথ এসিয়ান ফুটবোল ফেদরেসন (সাফ)কী মখাদা লৈবা লৈবাক ৫ না শরুক য়াদুনা থা অসিগী ২১ দগী শান্নবা হৌরকখিবা সাফ মেন'স চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী গ্রুপ ষ্টেজদা ইন্দিয়ানা মেটচ ৪ শান্নখিবদা মরিমক মায় পাক্তুনা পুন্না পোইন্ট ১৫ ফংলগা অহানবা পোজিসন তাদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি। অমরোমদা নেপালগী টিম্না গ্রুপ ষ্টেজদা মেটচ ৪ শান্নখিবদা মেটচ ৩ মায় পাকপা অমদি মেটচ ২ না মায়থিরগা পুন্না পোইন্ট ৯ ফংলগা টেবলগী অনীশুবা পোজিসন তারগা ফাইনেল চঙলকপনি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদু হেক হৌবদগী ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা অকনবা এটেক চখদুনা নেপালগী শান্নরোইশিংদা অকনবা প্রেসর পীশিন্দুনা লাকখি। মেটচকী ১৫শুবা মিনটতা তোংব্রম মহেসন সিংহনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

ইন্দিয়ানা গোল মাঙজিল থাখ্রবা মখা তানা শান্নরকপদা মতম কুইনা অহেনবা গোল টিম অনীগী মায়কৈদগী চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি।

অহানবা হোল্ফ লোইগদবা মিনট ৪ ৱাংলিঙৈ মেটচকী ৪১শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই অমনদিপ সিংহনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং অহানবা হাল্ফকী ইনজুরি টাইমগী অহাপ্পা ৩শুবা মিনটতা টিম অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই সিবাজিৎ সিংহনা গোল অমগা হাপচিন্দুনা ৩-০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফকী অপীবা মতম অদু শান্নরকপদসু গোল মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা নেপালগী শান্নরোইশিংবু নমথদুনা লাকখি। মেটচকী ৫২শুবা মিনটতা টাইসন সিংহনা গোল অমগা চনশিনবা ঙমখি। ৬৫শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই হিমানসু জাঙ্গ্রানা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা ৫-০ দা হেন্দুনা চংখি।

নেপালগী শান্নরোইশিংনা শোখরিবা গোলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ মেটচকী ৭৬শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা শ্রিদার্থ নোংমৈকাপম্না গোল অমগা চনশিন্দুনা ৬-০ দা মাঙজিল থাখি। মেটচকী ৮০শুবা মিনটতা শ্রিদার্থ নোংমৈকাপম্না গোল অমগা চনশিন্দুনা ফাইনেল মেটচ অদু মখোয়না নেপালবু গোল ৭-০ দা চাওনা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ৩লকশুবা টাইটল লৌবা ঙমখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই হিমানসু জাঙ্গ্রা গোল ৭ চন্দুনা টোপ স্কোর ওইখি। ইন্দিয়ানা মেটচ ৫ শান্নখিবদা মায়োক্লবা টিম্না গোল অমত্তা চনবা ঙমহনখিদবগী রেকোর্দসু থম্না ঙমখি।



*সাফ চেম্পিয়ন্সিপকী টাইটল লৌখ্রবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা ট্রোফিগা লোয়নন্না হরাওবা ফোঙদোকপা*

## গম্ভিনী নীংশিং কাঙ টুর্নামেন্টতা শিংজমৈ (বি) মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (এস এন এস)ঃ*

মণিপুর কাঙ এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা লাক থাংমৈবন্দনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৬ দগী টিম ১৪ না গ্রুপ ৮ থোক্লা খাইদোক্তুনা থাংমৈবন্দ লাইজিং নিংথৌ শঙলেন্দা চথরকপা ৫শুবা ৱাইখোম গম্ভিনী লৈমা নীংশিং চহী ৫০ অমদি ৬২ মথক্কী লীগ কম নোক আওট কেন্দ্রৱাইজ কাঙ টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'দি' গী মেটচতা শিংজমৈ (বি) কেন্দ্র কাঙখূৎ মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অসিদা শিংজমৈ (বি) কেন্দ্র কাঙখূৎনা থাংমৈবন্দ (বি) কেন্দ্র কাঙখূৎপু পাঞ্জল ১৬-১০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা শিংজমৈ (বি) কেন্দ্র কাঙখূৎকী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৭ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৯ স্কোর তৌখি। অদুগা মায়থিরবা থাংমৈবন্দ (বি) কেন্দ্র কাঙখূৎকী পাঞ্জলশিং অদুনা অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৬ অমসুং অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৪ স্কোর তৌখি।

মায় পাক্লবা শিংজমৈ (বি) কেন্দ্র কাঙখূৎকী শান্নরোইশিং অদুদি আর কে গোজেন্দ্রো, টি ঐচ লন্ধোনী, এস শ্যামসুন্দর, এস সুরেন, আর কে ইঙোচা, এল দিলিপ অমদি টি ঐচ কুমারনি।

মায়থিরবা থাংমৈবন্দ (বি) কেন্দ্র কাঙখূৎকী শান্নরোইশিং অদুদি টি ঐচ মনি, এস দোরেন্দ্রা, ঐচ লালা, কে জয়কুমার, এম প্রেমকুমার, ঐচ ইনাওচা অমদি আই তোনীনি। হয়েং গ্রুপ 'এ' গী মেটচতা য়াইস্কুল কেন্দ্র কাঙখূৎ অমদি কৈশামথোং কেন্দ্র কাঙখূৎকা শান্নরগনি।



## ৱার্ল্ড নম্বর ৱান সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিস য়ু এস ওপনগী নুপাগী সিঙ্গলসতা প্রি-ক্কার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

*ন্যু য়োর্ক, ওগষ্ট ৩১ (এজেন্সি)ঃ*

য়ু এসকী সিটি ন্যু য়োর্কতা চথরিবা য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টতা নুপাগী সিঙ্গলসতা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিস অহুমশুবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা প্রি-ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগীসু নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসনা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দদা য়ু এসকী দেনিস কুদ্লাবু ষ্ট্রেট সেট অহুম ৬-৩, ৬-৪, ৬-২ দা মায়থিবা পীরল্লগা প্রি-ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নুপাগী সিঙ্গলসতা ৩শুবা সিদেদ ওইরিবা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররসু ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দদা বৃটেনগী দান ইভান্সপু ৬-২, ৬-২, ৬-১ দা মায়থিবা পীরল্লগা মহাকসু প্রি-ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

রুশিয়াগী দানিল মেদভেদেভনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দদা স্পেনগী ফেলিসিয়ানো লোপেজবু ৭-৬(৭-১), ৪-৬, ৭-৬(৯-৭), ৬-৪ দা থোইদুনা প্রি-ক্কার্টর ফাইনেল চঙখি।

৭শুবা সিদেদ জপানগী কৈ নিসিকোরি ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দদা ওষ্ট্রেলিয়াগী এলেক্স দি মিনোরগী মখূত্তা ২-৬, ৪-৬, ৬-২, ৩-৬ তা মায়থিহৌদুনা প্রি-ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌখিদ্রে।

য়ু এস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসতা নম্বর তু সিদেদ ওইরিবী ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিনা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দদা ৩০শুবা সিদেদ গ্রিসকী এম সাক্কারীবু ষ্ট্রেট সেট ৭-৫, ৬-৩ দা মায়থিবা পীরল্লগা প্রি-ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

৩শুবা সিদেদ চেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভাসু ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দদা টুনিসিয়াগী ওন্স জাবেয়ুরবু ৬-১, ৪-৬, ৬-৪ দা থোইদুনা প্রি-ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমদি কানাদাগী দেনিস সাপোভালোভনা ৪শুবা সিদেদ ফ্রান্সকী নিকোলাস মাহুট অমদি হর্বর্টপু ৬-৩, ৬-১ দা মায়থিবা পীরল্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

ইন্দিয়াগী লিয়েন্দর পেস অমদি আর্জেন্টিনাগী গুইল্লরমো দুরান সর্ভিয়াগী কেকমানোভিস অমদি নোরৱেগী কেস্পর রুদকী মখূত্তা ৫-৭, ২-৬ তা মায়থিহৌখি।



## মণিপুর মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (এস এন এস)ঃ*

ন্যু দিল্লিদা চথরিবা ৬০শুবা ইন্টরনেসনেল সুব্রোটো কপ ২০১৯ গী চহী ১৭ মখা নুপীমচাগীদা ষ্টেট অসিগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারিবা নিলমনি ইংলিশ স্কুল ইম্ফাল ৱেষ্টকী অনীশুবা মেটচ মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৬ ফংবা ঙমখ্রে।

ঙসি হরিয়ানাগা শান্নখিবা মেটচ অসিদা মণিপুরনা গোল ২-০ দা মায় পাকখি। মায় পাকপগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৩ এল রজিয়ানা মিনট ৪৮ অমদি জর্সি নম্বর ১৪ কিমতি লাংজেলনা মিনট ৫৭ দা চনখি। হয়েং মণিপুরগী টিম্না গুজরাটকা অহুমশুবা মেটচ ওইনা পাটৱেজ অরাবলি গুরুগ্রাম ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি।

## ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম ১-৫ দা মায়থিখ্রে

*টাস্কেন্ট, ওগষ্ট ৩১ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম্না ঙরাং অথেংবদা উজবেকিষ্টানগা শান্নখিবা ফ্রেন্দলি মেটচতা ইন্দিয়াগী টিম গোল ১-৫ দা মায়থিখ্রে।

মেটচ অসিগী ৩শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই বালা দেবীনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ঙন্না মাঙজিল থাখি। য়ুম্বু টিম উজবেকিষ্টানগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা গোল ২ চনশিন্দুনা ২-১ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি। অনীশুবা হাল্ফকী শান্নরকপদা উজবেকিষ্টাননা গোল ৩ মখা তানা হাপচিন্দুনা মেটচ অদু ৫-১ দা মায় পাকখি।

## ইবোবী নীংশিং ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগতা য়ু পি এস এ পুখাও অমদি ই এস য়ু ৱাংখৈ মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (এস এন এস)ঃ*

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা থা অসিগী ২১ দগী টিম ১০ না শরুক য়াদুনা নেসু গ্রাউন্দ খুরাইদা চথরিবা মোইরাংথেম ইবোবী নীংশিং ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯-২০ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা য়ুনাইটেদ পুখাও স্পোর্টস এসোসিয়েসন (য়ু পি এস এ) পুখাও অমদি ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (ই এস য়ু) ৱাংখৈ মায় পাকখ্রে।

লীগ অসিগী ১৯শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা য়ু পি এস এ পুখাও অমদি অংথা এফ সিনা শান্নখিবা মেটচতা য়ু পি এস এ পুখাওনা অংথা এফ সিবু গোল ২-০ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি হৌরকপদগী য়ু পি এস এনা বোল হেন্না পায়রগা শান্নরক্তুনা মেটচকী মিনট ৫ চৎপদা টিমগী জর্সি নম্বর ১০ লিওনা গোল একাউন্ট হাংদুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

হাল্ফ অসিগী লেমহৌরিবা মিনটশিংদসু পুখাওনা অহেনবা গোল হাপচিল্লক্লবা হোৎনরক্তুনা টিমগী জর্সি নম্বর ৭ বিজেনগী হেদ্দিংনা মিনট ২৩ চৎপদা টিমগী অনীশুবা গোল অদু চন্দুনা হাল্ফ লোইরবা ফাওবা ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা গোল শোখরিবা অংথা এফ সিনা গোল হন্দোক্লবা হোৎনদুনা পুখাওগী কিপরবু কয়ারক হন্না চাংয়েং তৌখ্রবসু মায় পাকপা ঙমদনা লৈখি। অংথাগী শান্নরোইশিংনা চাং নাইনা তকশিন্দুনা মেটচকী লমজেলদা অমুক লাক্লবা হোৎনখি। অদুবু পুখাওগী নহা ওইরিবা শান্নরোইশিংনা কন্টেষ্ট অসিদা লৈনবা হোৎনদুনা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীদুনা গোল চলহন্দনা থমখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি এম ইনাও, কে ব্রোজেন, কে অজিৎ অমদি এন ইবুঙোনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি তু অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক্ট তৌখি।

লীগকী ২০শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন ৱাংখৈ অমদি চনুং শিন্থা ক্লব ( সি এস সি) চনুংনা শান্নখিবা মেটচতা ই এস য়ুনা সি এস য়ুবু গোল ৪-১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা সি এস সি চনুংনা ই এস য়ু ৱাংখৈবু লাকশিন্না শান্নদুনা মেটচকী মিনট ২৩ চৎপদা চনুংগী জর্সি নম্বর ১৭ টি ঐচ অবুংনা চনখিবা গোলনা হাল্ফ লোইরবা ফাওবা ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা ই এস য়ু ৱাংখৈগী শান্নরোইশিংনা অনৌবা লাল্লোং শীজিন্নরক্তুনা মখোয়গী মপাঙ্গল চপচানা ফুদোরক্তুনা শান্নরকপদগী মিনট ৪১ চৎপদা জর্সি নম্বর ৭ ভগিরথনা গোল হন্দোক্তুনা ১-১ দা লৈখি।

মেটচকী লেমহৌরিবা মিনটশিংদা ৱাংখৈনা মেটচ অসি মায় পাক্লবা হোৎনরক্তুনা শান্নরকপদগী জর্সি নম্বর ১৩ থোমসালনা মিনট ৫৬ তা অনীশুবা, জর্সি নম্বর ৭ ভগিরথনা মহাক্কী অনীশুবা গোল ওইনা টিমগী অহুমশুবা গোল অদু মিনট ৬১ অমদি জর্সি নম্বর ১০ থানগবানা মেটচকী অপীবা মিনট লোইদুনা অহাপ্পা মিনট ২ দা টিমগী মরিশুবা গোল অদু চন্দুনা মেটচ অসি ৪-১ দা মায় পাকখি।

মেটচ অসিদা সি এস সি চনুংগী জর্সি নম্বর ১৮ পাউমিনলুনদা মিনট ৪০ অমদি ৮০ চৎপদা দবল কোসন বুক তৌবদগী মেটচকী মপান্দা থোকহনখি। টিম অসিগী জর্সি নম্বর ৪ সানখাপাউ অমদি ই এস য়ুগী জর্সি নম্বর ১৫ পি দিপক অমদি জর্সি নম্বর ১০ থাংগবারনা মেটচ কন্দক্ট তৌখিবা রেফরিনা ফাওল শান্নরুবগীদমক য়োল্লো কার্দ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি টি প্রেমজিৎ, ৱাই ইঙোবী, এল রাজা অমদি কে ব্রোজেন্না মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি তু অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক্ট তৌখি।



## সব-জুনিয়র বাস্কেটবোল টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে

*ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (এস এন এস)ঃ*

বাস্কেটবোল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা উদিষাগী কটুক্তা সেপ্টেম্বর ৩ দগী ৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৪৩শুবা সব-জুনিয়র নেসনেল বাস্কেটবোল চেম্পিয়ন্সিপ্তা ষ্টেটকী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াগদবা বাস্কেটবোলগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী টিম ঙরাং ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ষ্টেটকী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াদুনা শান্নগদৌরিবা নুপামচাগী শান্নরোই অদুদি কৃষ্ণচার্য্য, এম লনচেনবা, এল পাইখোম্বা, এন রোবার্ট, ঐচ রিসিকান্ত শর্ম্মা, এম তেলহৈবা, এল থিসিস, ঐচ লময়ানবা, আর কে দেবরাজ, টি ঐচ ন্যুটিস অমদি এল লৈশেম্বনি।

নুপামচাগী টিম অসি এল ওমিও মৈতৈনা মেনেজর অমসুং এন রজিব কুমারনা কোচ ওইনা লুচিংলি।

নুপীমচাগী শান্নরোইশিং অদুনা করিয়া য়েংখোম, তনুশ্রী কোংখাম, য়ুক্তশ্রী য়ুম্নাম, আর কে বেবিতা দেবী, বেম্বেম থিয়াম, লনচেনবী তোংব্রম, টি ঐচ দাইনা, দিয়ানা নিঙোম্বম, কে ওমেগা, টি ঐচ সিলভিয়া অমদি কে চংখোনবীনি। নুপীমচাগী টিম অসি ৱাই মোহেন্দ্র কাপুরনা কোচ অমসুং ৱাই রনিতানা লেদি ইন-চার্জ ওইরি।

## 'দি' লাইসেন্স কোর্স লোইশিনখ্রে

*ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (এস এন এস)ঃ*

থা অসিগী ২৫ দগী ৩০ ফাওবা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা এ আই এফ এফ 'দি' লাইসেন্স কোর্স লোইশিনখ্রে।

পাঙথোকখিবা কোর্স অসিদা মপানগী ষ্টেটতগী কেন্দিদেট ৬কা লোয়নন্না পুন্না কেন্দিদেট ২০ না শরুক য়াখি। কোর্স অসি নিলি ৱিলিয়ম কোসো, ডা. ৱাই ননবির অমদি হান্নগী এ আই এফ এফ রেফরি ইন্সট্রক্টর যাদবচন্দ্র হাওবমনা ইন্সট্রক্টর ওইখি। কোর্স অসি লোইশিনবগী থৌরমদা অস্ফাগী জোইন্ট সেক্রেটরী কোপিও অমদি কো-ওর্দিনেটর ওজিৎনা কেন্দিদেটশিংদা পার্টিসিপেসন সার্টিফিকেট য়েন্থোকখি।

## কিশ্বরকুমার নীংশিং ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগতা এস আর দি সি ককচিং মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (এস এন এস)ঃ*

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংনা শীন্দুনা থা অসিগী ২৫ দগী টিম ৭ না শরুক য়াদুনা দি এস এ প্লে গ্রাউন্দ ককচিংদা চথরিবা ১৭শুবা কিশ্বরকুমার নীংশিং ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা সন রাইজ দিভলপমেন্ট ক্লব (এস আর দি সি) ককচিং মায় পাকখ্রে।

লীগ অসিগী ৭শুবা মেটচ ওইনা ঙসি ওল ককচিং খুনৌ স্পোর্টস এসোসিয়েসন (এ কে এস এ) ককচিং খুনৌ অমদি সন রাইজ দিভলপমেন্ট ক্লব ( এস আর দি সি) ককচিংনা শান্নখিবা মেটচতা এস আর দি সিনা এ কে এস এবু গোল ৩-২ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এস আর দি সি ককচিংগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা গোল অমা অমদি অনীশুবা হাল্ফতা গোল অনী চনখি। মায়থিরবা এ কে এস এ ককচিং খুনৌগী গোলশিং অদুনা অনীশুবা হাল্ফতা চনখিবনি।

এস আর দি সি ককচিংগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ জেক্সননা মিনট ৩৫ অমদি ৪৩ দা গোল ২ অদুগা জর্সি নম্বর ৯ মালরেংনা মিনট ৪৯ দা চনখি। এ কে এস এ ককচিং খুনৌগী গোল অনী অদুনা জর্সি নম্বর ৯ রোহিটনা মিনট ৫১ অমদি জর্সি নম্বর ১৪ মাইকেলনা মিনট ৭৬ তা চনখি।



## ৱাই কে কোলেজ, দি এম সাইন্স, খা মণিপুর কোলেজ অমদি থৌবাল কোলেজ ক্কার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

*ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (এস এন এস)ঃ*

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কমিতি কাঞ্চিপুরগী মীৎয়েং মখাদা ৱাই কে কোলেজ ৱাংজিংনা শীন্দুনা থা অসিগী ২৪ দগী টিম ৩৪ না নোক আওট বেসিসতা শরুক য়াদুনা কোদোমপোকপী গ্রাউন্দদা চথরকপা এ প্রতাপ সিংহ নীংশিং মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ মেন'স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ৱাই কে কোলেজ, দি এম সাইন্স, খা মণিপুর কোলেজ অমদি থৌবাল কোলেজ মায় পাক্তুনা ক্কার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

২৩শুবা মেটচ ওইনা ঙসি অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবদা ৱাই কে কোলেজনা লিভরেল কোলেজবু গোল ৩-২ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা ৱাই কে কোলেজগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ এ জয়চন্দ্রনা মিনট ১১, ৩৩ দা গোল অনী, জর্সি নম্বর ১৭ নোংপোকঙানবনা মিনট ৬৭ দা চনখি।

২৪শুবা মেটচতা দি এম সাইন্সনা ষ্টেন্দর্দ কোলেজবু গোল ২-০ দা মায়থিবা পীখি। দি এমগী গোলশিং অদু পোলেন্দ্রো অমদি জাংখোলেনন্না চনখি। ২৫শুবা মেটচতা খা মণিপুর কোলেজনা সি আই কোলেজেনা সি আই কোলেজবু কিক ফ্রোম পেনাল্টি মার্কতা গোল ৯-৭৮ দা মায়থিবা পীখি।

২৬শুবা মেটচতনা থৌবাল কোলেজনা দি এম আর্টসপু কিক ফ্রোম পেনাল্টি মার্কতা গোল ৫-৪ দা মায়থিবা পীদুনা ক্কার্টর ফাইনেল চঙখি।

### ক্রোসৱার্দ ২৬৬ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| I | S | L | E | T | | C | L | A | D | | T | H | E | M |
| T | H | E | S | E | | R | O | B | E | | R | I | L | E |
| C | O | N | T | A | G | I | O | U | S | | E | N | D | S |
| H | O | T | | | R | E | S | T | S | | A | G | E | S |
| | | | A | F | I | R | E | | E | A | T | E | R | Y |
| M | A | S | C | O | T | | | A | R | M | Y | | | |
| E | N | T | E | R | | S | P | I | T | E | | A | S | K |
| S | N | I | D | E | | P | A | R | | R | E | V | U | E |
| H | E | R | | S | E | E | D | Y | | I | V | O | R | Y |
| | | | R | E | N | D | | | S | C | E | N | E | S |
| C | A | R | E | E | R | | A | L | I | A | S | | | |
| A | W | E | S | | A | S | P | E | N | | | B | A | H |
| D | A | L | I | | G | A | R | A | G | E | S | A | L | E |
| E | R | A | S | | E | R | O | S | | L | A | B | O | R |
| T | E | X | T | | D | I | N | E | | S | P | E | E | D |